# রেগিংগা মরী লৈননা অগরটালা হোষ্টেলদা চরাংনবশিং থোকখ্রে, হোষ্টেল ৱার্দেনদা ৱার্নিং তৌখ্রে





অগরটালা, জুলাই ১৮ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালাদা লৈবা মহারানি তুলসিবতি স্কুলগী গার্লস হোষ্টেলদা সিনিয়রশিংনা জুনিয়রশিং রেগিং তৌবদা কা হেঞ্জিনবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা হোষ্টেলদা চরাংনবশিং থোকখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হোষ্টেল ৱার্দেনদা ত্বিপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না হোষ্টেল অসিদা লৈরিবা সিনিয়রশিংনা নৌনা চঙলকপা অমদি মখোয়গী মখা তাবা ক্লাসতা তল্লিবী মহৈরোয়শিংবু রেগিংগী মীংদা থবক শুহনবা অমদি ফু চৈবগী থবকশিং চথুরে হায়না ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাওবা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা ত্বিপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনদা ৱাকৎ লাকপদগী ঙসি হোষ্টেল অসিদা মহৈরোয় লূপ অসিগী থৌমী খরা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। হোষ্টেল অদুদা লৈরিবা অঙাং খরগী মমা মপাশিং য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি।

ত্বিপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী থৌমীশিংনা হোষ্টেল অদুদা থুংলবা মতুং ক্লাস নাইন তল্লিবী আইরুসি দেববর্মা কৌবী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা চহী অনীরোম অসি মহাক্কী সিনিয়রশিংনা ওৎ নৈদুনা লাক্লি। করিগুম্বা মতমদা ফুবা চৈবগী থৌওংসু চথৈ। মসিদগী হেন্দোক্তুনা চাক ফাওবা পীজদবা নুমিৎ য়াওখি হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা য়াওরকখিবা মহৈরোশিংগী মমা মপাশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হোষ্টেলদা লৈরিবা মখোয়গী মচাশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা খঙহল্লকপদগী হোষ্টেল ৱার্দেন উন্নদুনা ৱারী শাবা লৈখ্রে। অদুবু হোষ্টেল ৱার্দেননা মখোয়গী কমপ্লেন অদু তাবগী মহুত্তা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহল্লকখি। মদুগী মতুং ত্বিপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনদা কমপ্লেন তৌখিবনি হায়রি।

ৱারীশিং তারবা মতুং ত্বিপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী থৌমীশিং অদুনা হোষ্টেল ৱার্দেন কৌথোক্তুনা ৱারী শান্নরবা মতুং অসিগুম্বা থৌওংশিং মখা তানা তৌহন্দনবা অকনবা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা কমপ্লেন লাক্লবদি হায়র ওথোরিটিদা ৱাকত্তুনা থবক্তগী লৌথোক্কনি হায়নসু খঙহল্লমখি হায়রি।



কর্কিনোস হেল্থ ক্যের নোর্থইষ্ট প্রাইভেট লিমিটেদ অমদি খ্বাইরমবন্দ ইমা কৈথেলনা খুৎশম্নরগা কৈথেল অসিদা কেন্সরগী স্ক্রিনিং বুথ অমা হাংদোকপদা শরুক য়াখিবশিং

## ওনলাইন স্কাম্মরশিংদগী চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে

আইজোল, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : মিজোরামদা হৌখিবা থা খরা অসিদা ওনলাইনগী খুথাংদা মীয়ামদগী অরানবা মওংদা য়াল্লবা শেনফমশিং খায়গৎখিবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোরল্লিবা অসিদগী য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা মীজোরাম পুলিসনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা খঙহল্লক্লি।

মিজোরাম পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, ওনলাইন স্কাম্মরশিংদগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। ওনলাইনগী খুথাংদা মশক খঙদবশিংনা গভর্নমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং শাদুনা অমদি এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টরশিংগা য়াম্না নক্লবা মীওইশিং ওইনা মশক তাক্তুনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং মরুওইনা থবক হাপ্লীগে হায়দুনা য়াল্লবা শেনফমশিং খায়গৎপগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। ওনলাইনগী খুথাংদা মশক খঙদবশিংনা শেল পীরক্লবা হায়বা মতমদা কৈদৌনুংদা য়ারোইদবনি হায়রি।

## য়ুমদা লৈবা উচি ফানবা হোৎনবদা গ্লু য়াওবা মচাকশিং শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে



শিল্লোং, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইমুংশিংনা য়ুম য়ুমদা উচি ফানবা লাং থাকপা মতমদা গ্লু য়াওবা পোৎলমশিং শিজিন্নবদা অথিংবা থম্লে হায়না ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, উচি ফানবা লাংদা শিজিন্নরিবা মরুওইনা প্লাষ্টিক্কা নম্না শিজিন্নদুনা শাবা পোৎলমশিংনি। হায়রিবা প্লাষ্টিক প্লেটশিং অসিগী মথক্তা গ্লু হাপ্পুনা উচি ফানবা শিজিন্নরি। মসিনা উচি লায়না ফাবা ঙম্লবসু মাঙজবা কয়া অমা লৈরি। মরুওইনা উচি ফাবগী থবক শিজিন্নবা লোয়রবা মতুং মফম চাদনা লংথোরকপনা মরম ওইরগা অতোপ্পা য়ুমদা য়োকপা শা কয়াদা চাওনা চৈথেং পীরক্লি। মরুওইনা য়ুমগী মনাক নক্লা থাদোক্তুনা লৈরিবা ওকশিংদা মসিনা কা হেন্না চৈথেং পীরি। ওক মপীশিংনা গ্লু য়াওরবা প্লেটতা নপশিন্দুনা লৈরিবা উচিশিং অদুবু চাশিনবা মতমদা প্লাষ্টিক্কী শরুকশিং অদুসু য়াওশিনখিবনা মরম ওইরগা ওক মপী অদুনা মচা কোল্লকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা অমদি মচাশিং অদু থা ফাদনা শিবগী থৌওংশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। হায়রিবা অসি অতোপ্পা য়ুমদা য়োকপা শাশিংদসু তোয়না থোকপা থৌদোকশিংনি হায়রি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা য়াম্না মুন্না খন্নরবা মতুং গ্লু য়াওবা লাংশিং অসি শিজিন্নবদা অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা প্লাষ্টিক অমদি গ্লু য়াওবা লাংশিং অসি শিজিন্নবদা অথিংবা থম্বা হৌখ্রবনি। মীয়াম্নসু মখা তানা অসিগুম্বা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং অসি লৈদুনা শিজিন্নদনবা মখা তানা অপিল তৌরক্লি।

## প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনদা ক্রোস ভোটিং তৌরম্বা য়াই হায়না কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রে



শিল্লোং, জুলাই ১৮ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনদা মেঘালয়া ষ্টেটকী ওইনা ক্রোস ভোটিং য়াওরম্বা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মেঘালয়াদা রুলিং ওইনা লৈরিবা এম দি এ লৈঙাক্তা য়াওরিবা লেজিসলেচর খুদিংমক্না এন দি এগী কেন্দিদেট ওইরিবী দ্রৌপদি মুরমুদা মপুঙ ফানা শৌগৎলি। অদুবু ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংগী ওইনা এন দি এগী মীরেপ মুরমুদা শৌগৎলম্বা য়াবগী থাজবা চাওনা লৈ। মরমদি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সন অসিদা এন দি এগী মীরেপ মুরমুনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি।

অমরোমদা মেঘালয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবসু ওইরিবা এম এল এ চার্লস পীংরোপিনা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসনগী ফিরেপ্তা অহোংবা অমত্তা লৈতে। প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনদা মেঘালয়া ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা ওপোজিসন এম এল এ অমত্তনা এন দি এগী মীরেপ্তা শৌগৎপগী ৱাফম লৈতে। হান্না লেপখিবা ফিরেপ অদুদা অদুম্মক লেংদনা লৈরি। মসিদা মীয়াম্না লান্না উহন্নবা মীওই খরনা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। হন্দক্কী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনদা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা পুথোকখিবা মীরেপ্না শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। ইলেক্সন রিজল্ট লাকপা ময়াম্না ঙাইমিন্নসি হায়রি।

## সোসল মিদিয়াদা অলফা-আই শৌগৎলুবা কোলেজ তল্লিবা নহা অমা পুলিসনা ফাজিনখ্রে

উদালগুরি, জুলাই ১৮ (এজেন্সি): সোসল মিদিয়াদা লোনা অথিংবা থমখ্রবা অলফা-আই শৌগৎপগী ৱাহৈশিং ফোঙদোক্লুবা কোলেজ তল্লিবা মহৈরোয় অমা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না উদালগুরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কলাইগাউন পুলিসনা ফাজিনখ্রবা মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা নহা অদু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা তাংলা কোলেজদা মরিশুবা সেমিষ্টর তল্লিবা মহৈরোয় অমনি। মহাক্কী মমিং প্রমোদ খলিতা কৌই হায়রি। চহী নৌরিবা মহৈরোয় অসিবু পুলিসনা ফাজিনখিবগী থৌওং অসিবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। অসামদা পুলসিনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরি অমদি মতম অমদা হেক্তা মখোয়না চিংনবা মীওইশিং ফাদুনা ওৎ নৈবগী থবক চথৈ হায়না ফাজিনখ্রবা মহৈরোয় অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবা দিমান্দ তৌরক্লি।

অমরোমদা পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা লোনা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ অলফা-আইবু পুক্লিং থৌগৎপা ৱাহৈশিং নহা অসিনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপা থেংনবা মতুং মহাকপু ফাখিবনি। মহাক লোকেল কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুং মখা তানা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথরে হায়রি।

## দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অনী ঈশিংদা ঈরাক্লখিবদগী থিবা খঙখিদ্রে

দিব্রুগর, জুলাই ১৮ (এজেন্সি): অসামগী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিদা তল্লিবা মহৈরোয় অনী পাসিঘাটকী রানেঘাট ফাওদুনা চেল্লিবা সিয়াং তুরেলদা ঈরাক্লখিবদগী থিবা খংখিদ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিদা তল্লিবা মহৈরোয় ৫ অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা সিয়াং তুরেলদা ঈরুজবা কুমথখি। মখোয় ৫ না তুরেলদা ঈরুজরিঙৈদা মখোয় অনী ঈশিং মনুংদা লাকশিনখিবনি। অদুবু অতোপ্পা অহুম অমদি লাইবক ফবদগী তুরেল লৈরায় তান্না কারকপা ঙমখি। ঈশিংদা ঈরাক্লবদগী থিবা ফংদনা লৈরিবা মহৈরোয় ২ অদুদি প্রসিদা হন্দিক অমসুং সুভাদিপ পোলনি। প্রসিদা হন্দিক পি জি দি সী এগী অরোইবা সেমিষ্টরদা তল্লিবা মহৈরোয় অমনি। মহাক চিরিং চাপোরিদগীনি। পোলনা বি সী এ তরুকশুবা সেমিষ্টরদা তল্লিবা মহৈরোয়নি। মহাক ঘোপুরদগীনি হায়রি।

## CROSSWORD-3589



**ACROSS**

1 Clergyman's gown (7)
5 Spacious (5)
8 Male duck (5)
9 Type of biscuit (4,3)
10 Live together in harmony (7)
11 Unadorned (5)
12 Foliage (6)
14 Din (6)
18 'The final frontier' (5)
20 Japanese art of paper folding(7)
22 Traditional saying (7)
23 Close-fitting (5)
24 Hazardous (5)
25 Odd (7)

**DOWN**

1 Supplement to a will (7)
2 Digging tool (5)
3 Former (3-4)
4 Martial art (6)
5 Sum up (5)
6 Remote parts of Australia (7)
7 Long, pine (5)
13 Nonplussed (2,1,4)
15 Airman (7)
16 Scottish emblem (7)
17 Misgivings (6)
18 Wonderful (5)
19 Adversary (5)
21 Inert gas (5)

**Solution 3588**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | O | P | H | A | T | | P | E | R | S | I | A |
| H | | A | | G | | | | N | | P | | B |
| E | R | R | O | R | | B | A | R | R | I | E | R |
| N | | S | | E | | Y | | O | | N | | U |
| C | O | N | K | E | R | S | | U | S | E | U | P |
| E | | I | | | | T | | T | | | | T |
| | | P | E | R | M | A | N | E | N | T | | |
| S | | | | E | | N | | | | I | | I |
| C | L | A | S | S | | D | E | C | A | G | O | N |
| A | | T | | O | | E | | H | | R | | S |
| R | U | S | T | L | E | R | | I | D | E | S | T |
| E | | E | | V | | | | C | | S | | E |
| D | E | A | R | E | R | | G | O | S | S | I | P |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3990

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 5 | 7 | |
| | 8 | | | 2 | | | | 1 |
| | | | 6 | | | 9 | 2 | 8 |
| | 3 | 4 | 2 | 5 | | | | 9 |
| | | | | 7 | | | | |
| 9 | | | | 6 | 8 | 7 | 3 | |
| 8 | 7 | 1 | | | 6 | | | |
| 2 | | | | 1 | | | 4 | |
| | 6 | 3 | | | | | | |

### Solution-3989

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 4 | 9 | 2 | 5 | 6 | 1 | 7 |
| 7 | 6 | 2 | 3 | 8 | 1 | 4 | 9 | 5 |
| 9 | 5 | 1 | 4 | 6 | 7 | 8 | 2 | 3 |
| 3 | 2 | 5 | 7 | 4 | 6 | 9 | 8 | 1 |
| 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 1 | 7 | 6 | 8 | 9 | 3 | 5 | 4 | 2 |
| 6 | 4 | 7 | 1 | 3 | 9 | 2 | 5 | 8 |
| 2 | 1 | 8 | 6 | 5 | 4 | 7 | 3 | 9 |
| 5 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 | 1 | 6 | 4 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NRCM DIMAPUR RECRUITMENT 2022 FOR YOUNG PROFESSIONAL

National Research Centre on Mithun (NRCM) Young Professional Recruitment 2022
Advertisement for the post of Young Professional in National Research Centre on Mithun (NRCM). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30th July 2022. Candidates can check the latest National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment 2022 Young Professional Vacancy 2022 details and apply online at the nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment 2022 page.
National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nrcmithun.icar.gov.in/. National Research Centre on Mithun (NRCM) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Young Professional
Job Location:
Medziphema, Dimapur, 797106 Nagaland
Last Date: 30th July 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification:
Young Professional-I: B.Com with Minimum 60% Markswith Minimum one year working experience in the purchase & stores section.
Young Professional-II: M.Sc Biochemistry / Plant Biochemistry / Agricultural Biochemistry or MVSc (Biochemistry).
Pay Scale:
INR
25000-35000/- Per Month
Age Limit: 21-45 Years.
How to Apply:
Walk-In-Interview 30.07.2022 Venue: National Research Centre on Mithun, Medziphema, Dimapur, Nagaland 797106 India. Candidates should bring original certificates and a copy of bio-data along with photocopies of certificates etc. No objection certificate from the current employer/wherever applicable for the interview.
Important Dates:
Published on: 15th July 2022
Last date for application is: 30th July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### HIGH COURT OF TRIPURA RECRUITMENT 2022 FOR GRADE III

High Court of Tripura Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ thc.nic.in. High Court of Tripura selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at West Tripura. More details of thc.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tripura High Court
invites applications for recruitment of Grade III
Grade III
Job Location:
The Registrar General Capital Complex
, Agartala, 799006 West Tripura
Last Date: 16 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 11 Posts
Tripura High Court Recruitment 2022 Grade III Job Vacancies Apply Online Application
Tripura High Court Recruitment 2022 Grade III Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022 Details
Company High Court of Tripura
Job Role Grade III
Education Requirement
Total Vacancy 11 Posts
Job Locations Agartala
Experience Fresher
Salary 27700 - 44770
Posted on 14 Jul, 2022
Last Date To Apply 16-08-2022
Educational Qualification: LLB
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
27700 - 44770
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Grade III in Tripura High Court.
How to Apply:
Candidates must apply for Tripura High Court Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the Tripura High Court Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Tripura High Court tsu.trp.nic.in
Step 2: Search the notification for Tripura High Court Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 14 July 2022
Last date for application is: 16 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




